# ককচিং খুনৌ অমদি ইথিংদা লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজেসন তৌখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথদুনা খোল্লাও কয়া লাউখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : মমাঙ চহী ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২০দা কেবিনেট মীফম ফমদুনা লৈঙাক্লা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা হন্দোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং খুনৌ অমদি ইথিংদা ৱাকৎ মীফম চথদুনা খোল্লাও কয়া লাউখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাদা অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংনা চথুরকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং খুনৌ বজারদা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), ওল ককচিং খুনৌ ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকউ হায়দুনা ৱাকৎ মীফম অদু চথখিবনি।

নাকল অমরোমদা, ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), কাদা, ইথিং মৈরা পায়বী লূপ অমদি পোল ষ্টার ক্লব ইথিংনা শীন্দুনা ঙসি লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকউ হায়দুনা ৱাকৎ মীফম অমসু নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইথিং থাঙ্গ পার্ট টু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইথিং থাঙ্গ পার্ট টুদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ইথিং মৈরা পায়বী লূপকী মেম্বর খ্বাইরাকপম ওংবী সুবামনিনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী মমা ওইবীশিংনা নিশাগী চৈথেং অসি মতম শাংনা থেংনরগা লাকপনি। ইমুং-ইমুং খুদিং য়ুগী চৈথেং লমদম অসিদা ফংদবা লৈশিল্লক্রে। য়ুগী অথিংবা লৈরিঙৈ মতম ফাওবদা অসুক চাউরবা চৈথেং লৈরবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা অসিগুম্বা চৈথেংশিং অসি খঙনা খঙনা ফোংনা য়ু য়োনবগী অয়াবা পীরবদি অকিবগী মশক শোয়দনা ওইরগনি। লমদম অসিদা য়ুনা মণিপুরগী নুপা হায়বা ফুরুপ অসি মপুং ফানা হাৎখ্রগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী ৱারেপ অসি মমা ওইবীশিংগী খল্লগা অথুবা মতমদা হন্দোকপীনবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্লা শুপ্নগী শেল ফংনবনি হায়না তৌরিবা থবক অসিনা তশেংনা হায়রবদা লমদম অসিগী ওইনদি হেন্না চাউনা মাঙজবা হায়বদু ওইগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক হায়বসিদগী মীওইবদা অফবা অমদি কান্নবা অমত্তা লৈতে। মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী মওং অদু তম্লবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি অমাঙবগী মশক ওইরক্কনি। মরমদি চাউখৎলবা লৈবাকশিং অদুদা চৎনরিবা লীচৎ-শাজৎ অমদি মীওইবগী ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাং অদু লমদম অসিগী মীওইশিংগা য়াম্না খেন্নরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অমদা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকপীয়ু। লমদম অসিগী মমা ওইবীশিংনদি কৈদৌনুংদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবগী ৱারেপ অসি শুকয়া য়াবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# নৈকানলোং থাংমৈবন্দদা হেল্থ টোকস কম এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মীয়ামদা মরুওইনা কনা লৈজদ্রবা অহলশিংদা অনা-লায়েং মপুং ফানা ফংজদ্রবা মফমশিংদা অনা-লায়েংগী মরমদা খঙমিন্ননবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসিসু রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্টনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইন্টর্ন ডোক্তরশিং অমদি পি জি টিশিংনা হেল্থ প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা হেল্থ টোকস কম এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লৈকানলোং থাংমৈবন্দদা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী ওফিস এসিষ্টেন্স প্রিমিয়র মোইরাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিমসকী কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি ওইবদা নত্তনা রিমসকী দিন একাদেমীকসু ওইরিবা ডা. ব্রোগেন অকোইজমগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা হেল্থ টোকস কম এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি হেল্থ এদ্যুকেটর ওইরিবা এম মেঘচন্দ্রনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী পি জি টিশিংনা ইন্টর্নশিং অদু গাইদ তৌখিবগা লোয়ননা ঙসিগী হেল্থ টোক অমদি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদু একুইট রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন (এ আর আই) হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হেল্থ চেকঅপসু তৌখি হায়রি।

# ‘প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌনিংবা ফী লৌহনবনা শেন্থোক লম্বী লৈজদবশিংদা অৱাবা ওইহল্লে’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : গভর্ণমেন্টকী পোলিসী ময়াম লৈরবসু পোলিসীশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা নেগ্লেক্ট তৌরকপনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং নোংম-নোংমগী শিথরকপগী অচৌবা মরম ওইরে। মসিদা নত্তনা প্রাইভেট স্কুলশিংনসু স্কুল অদুগী চৎন-কাঙলোন কয়া শেমজিল্লগা লৌনিংবা ফী লৌহন্দুনা স্কুলশিং চলাইরকপনা মরম ওইরগা শেন্থোক লম্বী লৈজদবা মমা-মপাশিংদা অচৌবা পোৎলুম অমসু ওইহল্লে হায়না মণিপুরী মৈতৈ পাঙল সোসল য়ুনিফিকেসন এন্দ অপলিফ্টমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এম এম এস য়ু য়ু ও) হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিদা খুন্দারিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী সোসল ইকনমি অমদি এদ্যুকেসনল ষ্টেটস অসি য়াম্না নেম্বনা মহৈ-মশিন তম্বগী চাং অসি পর্সন্টেজ য়াম্না নেম্লি। গভর্ণমেন্টকী মহৈ লোয়শঙশিংসু স্কুল বিল্ডিং মওং তাদবা, ওজা ৱাৎপনচিংবা অৱাৎপা অমা নৎত্রগা অমা লৈবনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টকী মহৈ লোয়শঙশিংদা মহৈ তম্বগী চাং নেম্লকপনা শেন্থোক লম্বী লৈজদবা পেরেন্টশিংসু অঙম্বা খরা প্রাইভেট স্কুলদা তমহল্লগা তোকথোকহনবগী চৎনবী অমনা মৈতৈ পাঙল কম্যুনিটি অসিগী মহৈ-মশিন তম্বগী চাং য়াম্না নেম্লিবনি। অসিগুম্বা কনি দসনশিং অসি খরমখৈ চুমথোক্লগা এদ্যুকেসনগী লমদা হেন্না খুম্মাং চাউশিন্নবগী পান্দমদা মাইনোরিটি মৈতৈ পাঙলশিংনা খুন্দারিবা মৈতৈ পাঙল কন্সেন্ট্রেদ এরিয়াদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট, এদেদ অমসুং প্রাইভেটকী ওইবা মহৈ লোয়শঙ খুদিংমক ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্ক বগী পান্দমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি স্কুলশিংগী এটমোস্ফিয়রনচিংবা কুপ্না য়েংশিন্নবা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা লুচিংবা টিম অমনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লগনি।

হায়রিবা খোঙচৎ অসিদা লোকেল এদ্যুকেসনেলিষ্ট, স্কুলগী ওজাশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মহৈরোয় অমসুং পেরেন্টশিংনা কোওপরেসন পীবীনবা আপীল তৌজরি। লোয়ননা কম্যুনিটি অসিগী য়াইফ থৌরাংগীদমক্তা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সনা মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সকী ফন্দিং মখাদা পায়খৎলম্বা ফ্রী কোচিং হৌখিবা চহী ২০২০দগী তৌদনা লাক্লিবা অসি শেঞ্জা-থুমজ াদা লুপ্পদগী পাঙথোকপা ঙমদ্রিবরা হায়বদু মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# লেম্বর্ট একাদেমীক পব্লিসিংনা পুথোকপা ৱাইল্ড ইদিবল ফ্লেসি ফঙ্গি ওফ ইন্দো ম্যান্মার হোট স্পোট রিজন হায়না মিংথোনবা লাইরিক এম য়ুদা ফোঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : লেম্বর্ট একাদেমীক পব্লিসিংনা পুথোকপা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্সকী রিটায়র্দ প্রোফেসর নামৈরাকপম ইরাবন্তগা লোয়ননা টি ঐচ চিত্তরঞ্জন অমসুং ববিতা নিবেদিতানা ইবা ইন্দো ম্যান্মার হোট স্পোর্ট রিজন অসিদা ফংলিবা ফ্লেসি ফঙ্গিশিংগী মরমদা ইবা লাইরিক ৱাইল্ড ইদিবল ফ্লেসি ফঙ্গি ওফ ইন্দো ম্যান্মার হোট স্পোট রিজন হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী ভাইস চাঞ্চেল্লর এন লোকেন্দ্রোনা ফোঙখ্রে।

ঙসি ফোঙখিবা ৱাইল্ড ইদিবল ফ্লেসি ফঙ্গি ওফ ইন্দো ম্যান্মার হোর্ট স্পোট রিজন লাইরিক অসিগী রিভিয়ু তৌবগী থৌরম অমসু ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি দি কম্মিটি রুমদা পাঙথোকখি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এন লোকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট রিজন অসি বাইওদাইভর্সিটি হোট স্পোট অমনি। মফম অসিদা ফঙ্গি মখল কয়াশিং চেঙ্গুম, কংলায়েন অমদি চরুয়েননচিংবা চাবা য়াবা চীঞ্জাকশিং মরাং কায়না ফংলি। লোয়ননা লমদম অসিদা ঈশিং মনুংদা ফংবা মনা-মশিং থৱায় পানবা জীব কয়া চীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরি। অদুবু ফংলিবা ফঙ্গিশিংগী মরক্তা হূ চেনবা অমদি চেদবশিং লৈরিবশিং অসিসু খঙদোক্লবা হোৎনবদা ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিনা চাউরবা মতেং অমা ওইগনি।

মণিপুরগী কাচিন-কোয়াদা লৈরিবা মীয়ামদসু ফ্লেসি ফঙ্গিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা পোইজনস অমদি নন-পোইজনস ফ্লেসি ফঙ্গি খঙদোকহনবা তঙাইফদে। অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি অসিনা লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টতা চেঙ্গুম মরাং কায়না পুথোক্লবা শেল থাদদুনা হোৎনরি। মসিনা প্রোটিন অমদি তোঙান তোঙানবা ভিটামিন মিনরেল য়াওরিবা ফঙ্গি মখলশিং অসি মরাং কায়না পুথোক্তুনা ইকনমিক দিভেলপমেন্টতা মতেং পাংবা ঙম্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সকী দিন প্রোফেসর ৱার্থারাজননা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি বোট্রানি দিপার্টমেন্টকী হেদ ইন-চার্জ প্রোফেসর এম কাননবালা সরাংথেমনা প্রসিদেন্ট ওইখিবগা লোয়ননা লাইরিক অসিগী অইবা নামৈরাকপম ইরাবন্তগা লোয়ননা টি ঐচ চিত্তরঞ্জন অমসুং ববিতা নিবেদিতাসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর আর আর পান্দে, ডা. বি এ এম য়ুনিভর্সিটি ঔরঙ্গবাদকী ইনভাইরনমেন্ট সাইন্সকী এক্স-প্রোফেসর বি এন পান্দে অমদি আই সী এ আর, এন ঈ আরগী এক্স-দিরেক্টর ডা. এস ভি ঙাচননা লাইরিক অদু রিভিয়ু তৌখি।

# কিদনি অনীমক মথৌ তৌবা লেপখিবদগী কিদনি শীন্নবা মতম ঙাইরগা লৈরিবী প্রমোগী অনা-লায়েংবদা মতেং ওইনবা ৱিংনা লুপা ৮০,৯০০ তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল কিয়াম সিফাইদগী ৱিমেন এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরকখিবী হৌজিক হৌজিক মশাগী কিদনি অনীমক মথৌ তৌবা লেপখিবদগী কিদনি শীন্নবা মতম ঙাইরিবী লিশম প্রমোগী অনা-লায়েংবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা ৱিমেন্স ইন গভর্ণান্স (ৱিং) থৌবালগী থৌমীশিংনা লুপা ৮০,৯০০ তেংবাঙখ্রে।

ৱিং থৌবালগী থৌমীশিংনা প্রমোগী অনা-লায়েংদা মতেং ওইনবা তেংবাঙখিবা শেনফম অদু ঙসি নুংথিল ৱিং মণিপুরগী কনভিনর নোনিবালা নারেংবমনা লুচিংবা থৌমীশিংনা লিশম প্রমোগী য়ুমদা হকথেংননা চৎলগা খুৎশিন্নখি। তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱিং থৌবালগী থৌমী ওইনাম থোইবীনা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী কিদনি অনীমক মথৌ তৌবা লেপখ্রবদি লিশম প্রমো লমদম অসিগী নুপী অমসুং অঙাংশিংদা মখল অমত্তগী ভাইওলেন্স চথুবা থিংনবা য়াম্না কন্না লাউজরম্বী ৱিমেন এক্টিভিষ্ট অমনি। মহাক হৌজিক হৌজিক দাইলাইসিস তৌরগা কিদনি শীন্নবা মতম ঙাইদুনা লৈরিবনি।

ৱিমেন এক্টিভিষ্ট লিশম প্রমোনা হৌখিবা চহী ১৮ রোম অসি ইরমদম মণিপুর অসিগী নুপী অমসুং অঙাংশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লাকখি। লোয়ননা ইরমদম অসিগী অচৌবা ঈহৌ কয়াদা ইচঙ থৌনা শরুক য়াখিবী লমদম অসিগী অতাঙবা নিংঙোল অমনি।

মহাক্লা নাদ্রিঙৈ মমাঙদা লিগেল এইদ ক্লিনিক কিয়াম লৈতানপোক্কী লিগেল পেরা ভলন্টিয়র ওইনসু লোগী লমদা লৈত-লায়রা কয়াগী মতেং পাংদুনা লাকখি। মহাক্কুম্বী থৌনা লৈবী, মীনুংশি চাওবী, মৰৈবাক মরমদমবু নুংশিজবী অমদি নুপী-অঙাংশিংগী য়াইফনবা খল্লিবীনা মতম শাংনা ইরমদম অসিদা লৈদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা মথৌ তৌহনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱিং মণিপুরগী মায়কৈদগী লিশম প্রমোদা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংনবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা লমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা-চাউরবী মীয়াম্নসু মতেং পাংবীরকখিবা শেনফম লুপা ৮০,৯০০ অদু লিশম প্রমোদা অঙম্বা মতেং ওইনা খুৎশিন্নখিবনি। লিশম প্রমোগী অনা-লায়েংনবগীদমক মতেং পাংবীরকখিবা লমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা, চাউরবী মীওই পুম্নমকপু ৱিমেন্স ইন গভর্ণান্স (ৱিং) থৌবাল অমসুং লিশম প্রমোগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মশাগী কিদনি অনীমক ফেল ওইরবী হৌজিক হৌজিক কিদনি শীন্নবগী ঙাইদুনা লৈরিবী লিশম প্রমোনা তেংবাঙ খুৎশিন্নরকখিবা অদুদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্কী মপোক অসি মীয়াম্না অমুক হন্না পোকপীরে হায়খি। মীয়ামগী লমন পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তোনশিঞ্জরে। অনাবা ফরবা মতুং মীয়ামগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু শেম্বীবা তাইবং মপুনসু পীনবীবা ওইসনু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তেংবাঙবীরকখিবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি। তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা ৱিং মণিপুরগী থৌমীশিং অমদি লুচিংবী কয়াসু শরক য়াখি।

# ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস) : হৌখিবা দিসেম্বর ২০দগী জন্যুৱারী ৩০ ফাওবা চথুরকপা নুমীৎ ৪০নিগী ওইবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্ট এন্দ কলচর দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, ৱাবগাই তেরা উরক্লা শীন্দুনা খোংজোম পর্বগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা তেন্থা হৈবুংদা লৈবা মোইরাংথেম তোম্বগী শঙ্গাইদা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্ট এন্দ কলচর দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (টি দি এ সী দি এ)গী সেক্রেটরি ময়েংবম ব্রজমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহী দিসেম্বর ২০দগী চৎলিবা থাগী জন্যুৱারী ৩০ ফাওবা পাঙথোরকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা টি দি এ সী দি এগী প্রসিদেন্ট এ ঘনা, সোসল ৱার্কর ও থম্বৌ অমদি সোসল ৱার্কর এল কদমনা মথৎশিৎনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা আর্টিষ্ট ১২সু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১। ০১। ২০২৩ ইং, লৈবাকপোকপা, নুংথিল পুং ১.৫৫ ফাওবা ফাইরেলগী ১০ নি পাল্লি, মতুং ১১ নি পাল্লনি।

মেষ: পুক্লিং ফাথগদবা নুমিৎনি। চিন শোয়বা, অশাওবা, হোয়া ফবনা কান্নরোই। অথেংবদা পল্লম্বা থবক/লনগী লমদা নীংবা থুংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি, মীনসু ফনা শোন্নগনি, য়েৎনরম্বা ফরনি, শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: পল্লম্বা কোকচদুনা মীয়ামগী মতেং ফংগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লম চৎপা মহৈ য়ানগনি। খন্থদনা থৌ পাঙলদি নচাক নরল চৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: মীয়াম্না চাল্লি, শেল -থুম তানশিনবা য়াবা অমদি অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙবা নুমিৎনি। নাইতোম থৌপাঙবদি নরল মাঙবনা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: য়েৎনবা, অরং-অরাক, ঙাং-শকপা অমদি থবক শীনে দাকপগী লমদা অখঙ অহৈ তান্নৌ। অফবা থবক পাঙবা য়াগনি, শেন্দোং লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

কন্যা: লান্দবনা মায় পাক্কনি, মরুপ লোয়নবা ফগনি। য়েৎনরম্বা খরদি ফরসু, হুরানবনা কিবা/চিংনবা পোকহল্লক্কনি। য়াকা য়েংনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌবনা কায়নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: অনম তান্নরদি মরুপ মপাং কায়নগনি, মীতোপ্তা থাজবা থল্লদি ইমুংদা ফাওবা ঈংলোই। মীয়াম লোয়নবদি য়াগনি, হকচাং নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌদ্রদি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নীংজবা থুংবা, ওজা-গুরুনা চানবীবা, অনৌবা অফবা আশা লাকপা, ইচঙ থৌবনা অফবা মফম কনবা নুমিৎনি। ফিংলদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: অনৌবা আশাগা লোয়ননা পাঙবা থবক থৌরম খুদিং মায় পাক্কনি। নচাক নরল চাওখৎকনি, থিবা হুম্বা লেপকনু কান্নবা য়াম্না লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: হরাওবা, নুংঙাইজবা, থবক পাঙবা, মীয়াম্না থোইনা তেংবাঙবীবা নুমিৎনি। নচা-ননাইসু চাওখৎকনি। মরুপ মপাংগদি ৱাখল তান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: লাই-গুরুনা থোইনা চানবীগনি। মীয়াম্না য়াম্না য়াবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং পাল্লদি লৌবা য়াবা নুমিৎনি। অনম তানবদি কায়ননি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: নীংবা মপা চাগনি, শেন্দোং তানবসু মতাং চাগনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি। থৌনা ফুদোকপসু মতাং চাগনি। ঙাইঙমদবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস) : মার্টিয়র্স দে ওফ ওবজার্ভেসনগী থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন এৱ্যের্নেস কম দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবাল, ৱাই ঈ দি এস মোইজিং, এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনর্স থৌবাল ব্রাঞ্চকা লোয়ননা ব্লদ সেন্টর এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা নুপী ৪ অমদি নুপা ১২ য়াওনা পুন্না মীওই ১৬না ঈ কৎখি। ঙসিগী ঈ কৎপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কন্নবগীদমক পাম্মুবা লৈতনা ঈ কৎখিবা মীওই ১৬ অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা সর্টিফিকেটশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। অসিগুম্লবা মীওইবগী থৱায় কন্নবগীদমক মথৌ তারিবা ঈ অসিসু লমদম অসিদা অৱাৎপা মায়োক্লরিবা অসি কোক্লনবগীদমক য়ারিবমখৈ ঈ কৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু আপীল তৌখি।

# ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবা লৈবাক শীনবা থুংনা চথুগদৌরিবা এন্টি লেপ্রোসি ফোর্টনাইটকী মনুং চন্না সঙ্গাইয়ুম্ফমদা এন্টি লেপ্রোসি দে পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস) : চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩০দগী হৌরদুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবা ইন্দিয়া শীনবা থুংনা পাক শন্না চথুগদবা স্পার্শ লেপ্রোসি এৱ্যের্নেস কম এন্টি লেপ্রোসি ফোর্টনাইটকী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সঙ্গাইয়ুম্ফম প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদসু এন্টি লেপ্রোসি দে পাঙথোকপগা লোয়ননা লায়না অসি মরু ফংনা মুথুৎনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমসুং নেসনল লেপ্রোসি ইরাদিকেসন প্রোগ্রাম থৌবাল অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এন্টি লেপ্রোসি দেগী থৌরম অদুদা সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা অথোইবা, সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান জি পিগী প্রধান এম দি জাকিরনা থৌরম মপু অদুগা সঙ্গাইয়ুম্ফম প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরগী সিনিয়র মেদিকেল ওফিসর ডা. সী ঐচ চন্দ্রমনি অমসুং দি এল ও থৌবাল ডা. এম নোমিতানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি সঙ্গাইয়ুম্ফম প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা পাঙথোকখিবা এন্টি লেপ্রোসি দেগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা ফাদর ওফ নেসন মহাত্মা গান্ধীগী ফোটোদা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অথোইবা মীথুংলেনশিংনা লুচিংদুনা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লেপ্রোসিসিনা নারবা মীওইশিংদসু অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

এন্টি লেপ্রোসি দে পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা এন্টি লেপ্রোসি দেগী থৌরম অসি মরুওইনা লৈখিদ্রবা ফাদর ওফ নেসন মহাত্মা গান্ধীনা মতম অমদা লেপ্রোসি লায়না অসি লৈবাক অসিদা শন্দোরক্তুনা য়াম্না কিনবা, তুক্কৎচবা, শোক্ল-শম্নবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরিঙৈ মতম অদুদা মহাক্ল া লেপ্রোসিসিনা নারবা মীওইশিংবু মখুৎমক্ল া পায়দুনা হঙ্গোইবা-তুক্কৎচবা লৈতনা মখোয়গীদমক অঙম্বা থৌগল তৌখি। অদুগুম্লবা মীয়াম্না হঙ্গোই-তুক্কৎচনরবা অমদি কিনরবা লায়না অদুবু মশাদা অকিবা ফাওদনা কথোকপা অমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মহাক্কী থবক অদুগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা মহাক্লা লৈখিদবা নুমীৎ জন্যুৱারী ৩০ অসিবু চহী খুদিংগী ওইনা লৈবাক অসিদা ৱর্ল্ড লেপ্রোসি দে হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, লেপ্রোসি লায়না অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ইলিমিনেসনগী ষ্টেজদা লৈরবসু ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অহুম নৌনা ইনফেক্ট তৌবগী রিপোর্ট লৈরি। মসি পুম্নমকসি য়েংলগা ঐখোয় পুম্নমক্লা লায়না অসিবু মরু ফংনা মুথুৎনবা হোৎনমিন্নসি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা লেপ্রোসি হায়রিবা লায়না অসি মপুং ফানা লৈমায় অসিদগী মুথুৎনবগী হোৎনরিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্ন সু হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা মতেং পাংবীয়ু। মদুনা লৈঙাক্কী থল্লিবা পান্দম অসি ফংবা ঙম্বদা নত্তনা ঐখোয় পুম্নমক্কীসু য়াইফবা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।